# য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্টনা য়ুরোপকী মীচঙশিং চৈখ্রবা মতুংদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা ঈ য়ুগী দিপ্লোমেটশিং উনখ্রে

ব্রসেলজ, ফেব্রুৱারী ১৫(এজেন্সি): ইরানগী মায়োক্তা য়ু এসনা থল্লিবা অথিংবশিং অমেরিকাগী য়ুরোপিয়ন মীচঙশিংনা ময়াই চমহন্নবা হোৎনৈ হায়না য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা মরাল শিখ্রবা মতুং ইরাই নুমীৎতা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিওনা ব্রসেলজদা ঈ য়ুগী তোপ দিপ্লোমেটকা উনখ্রে।

ঈ য়ুগী ফোরেন পোলিসী চীফ ফেদরিকা মোঘেরিনিগা উনবদু শগোলশেন নুমীৎতা ৱার্সোদা মিদ্দল ইষ্টকী পিছ কনফরেন্স মনুংদা পেন্সনা য়ুরোপিয়ন পৱারশিংবু চৈ-থাংদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাঙথোক্কবা লেপখিবনি। তৌইগুম্বসুং নাতোগী মীফম অমনা মরম ওইদুনা ৱার্সোগী কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রে হায়না মোঘেরিনিনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৫ দা ইরান অমসুং মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা ন্যুক্লিয়র দিল সাইন তৌনবদা মতেং পাংখিবা মোঘেরিনিনা ব্রসেলজদা লৈবা ঈ য়ুগী হেদ ক্বার্টরসতা পোমপিওগা খুৎ শোক্নখি অমসুং মখোয় ব্রেকফাষ্ট মীটিংগীদমক্তা কনফরেন্স কারোমদা চৎখি।



ৱার্সোগী কনফরেন্সতা পেন্সনা পীখিবা স্পিচকী মতাংদা মহাক করি খনবগে হায়না মীদিয়াগী মায়কৈদগী ৱাহং অমা হংবদা মোঘেরিনিনা মকোক হায়খি। শগোলশেন নুমীৎকী স্পিচ অদুদা পেন্সনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নবু য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা থল্লিবা শেল-থুমগী অথিংবশিং ময়াই চমহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি।

য়ু এসকী মহৌশাগী য়ুরোপিয়ন মীচঙশিং হায়বদি জর্মনি, ফ্রান্স অমসুং বৃটেনগা মরী লৈননা পেন্সনা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা অকনবা ৱাফম খরা ফোঙদোকখিবদুনা ইরানবু মালেমগী লৈবাকশিংদগী তোঙান্না ইন্থোক্নবা ৱাশিংতননা লৌখৎলক্লিবা ষ্ট্রেটেজি অদু উৎলি।

ত্রম্পনা হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ২০১৫ গী ইরান দিল অদুদগী লৌথোকখিবনি। দিল অদুগী মায়োক্তা ইরানগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং লৌথোকপগী ফীভমদা তেহরাননা মসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখি।

পেন্সকী কম্মেন্টশিংদুগী মাঙওইননা শগোলশেন নুমীৎতা নাতোদা ৱা ঙাঙবদা মোঘেরিনিনা হায়খি, ইরান ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংশিং লৈনখি। দিল অদু য়ুরোপিয়ন সিক্যুরিটিদা য়াম্না মরুওই, মরমদি মদুনা তেহরানবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুথোকপা য়াহনদে।

য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা হায়রি মদুদি, ইরাননা য়েমেন অমসুং সিরিয়াগী লানশিংদা চেন্নবগী মতাংদা ৱাশিংতননা নুংনাংলিবদু মখোয়নসু য়াই, তৌইগুম্বসুং দিল অদুদগী ৱিথদ্রো তৌবা হায়বসিদি অশোয়বা খোঙথাংনি হায়না মখোয়না থাজে। ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা ইরাননা দিল অদু ঙাক্না চৎলিবমখৈ মখোয়নসু দিল অদু চৎনহন্নবা হোৎনগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখিবনি। তশেংনমক ইরানগী মথক্তা য়ু এসনা থমখিবা অনৌবা অথিংবশিং য়ুরোপকী কম্পেনিশিংনসু য়াখ্রে অমসুং গল্ফকী লৈবাক অদুদা ইনভেষ্ট তৌবগী থৌরাং থাদোকখ্রে।

ফ্রান্স, জর্মনি অমসুং বৃটেননা হৌখিবা জন্যুৱারীদা য়ু এসকী অথিংবশিং নাথৈনবা ইরানগা নন-দোল্লর ত্রেদ চখনবগী অনৌবা লম্বী অমা হৌদোকপগী ৱাফম য়ানখি। নন-দোল্লর ত্রেদ অদু স্পেসল পর্পজ ভেহিকল (এস পি ভি) গী খুথাংদা চথগদবনি। অদুম ওইনমক ত্রেদ ভেহিকল অদু থাঙ্গৈশেংনা শীজিন্নবদা থা কয়ামুক চঙবা য়াই। দিপ্লোমেটশিংগী মতুংইন্না, মদু চানবা পোৎলমশিং নৎত্রগা অৱাবা তারবশিংগী আইটেমশিংগুম্বা অপীকপা ত্রেদতা শীজিন্নগনি।

# মিলিটরি টেক্নোলোজি হেন্নবা ৱেষ্টনা দিফেন্স চাদিং হেনগৎখি : রিপোর্ট




ম্যুনিক, ফেব্রুৱারী ১৫(এজেন্সি): চাইনা অমসুং রসিয়ানা মিলিটরি টেক্নোলোজি খুম্নাং চাওশিন্নবা হোৎনরিবা কয়াদগী হেন্না মাঙজিল থানা চৎপা ঙম্নবা হোৎনরকপদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লুচিংদুনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কুমজা ২০১৮ দা ঙাক-শেলগী চাদিং হেনগৎখি হায়না ইরাই নুমীৎতা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্লিবা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নাতোগী কনফরেন্সতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পনা য়ুরোপিয়ন ষ্টেটশিংদা মিলিটরি চাদিং য়ারিবমখৈ হেনগৎনবা প্রেসর পীরবা য়াই হায়না থাজনরি হায়না ইন্টরনেসনল ইনষ্টিট্যুট ফোর সিক্যুরিটি ষ্টদিজ (আই আই এস এস) না ফোঙদোকখি।

আই আই এস এসনা মসিগী রিপোর্টতা মখা তানা হায়, য়ুরোপিয়ন পৱারশিংনা ত্রম্পকী খ্বাইদগী নৌবা দিমান্দশিং থুংহন্নবগীদমক্তা অহেনবা দোল্লর বিলিয়ন ১০২ পুথোকমিন্নবগী ফীভম লাকপসু য়াই।

মালেমগী ওইনা খুৎলায় অমসুং ঙাক-শেলগী চাদিং কুমজা ২০১৮ দা চাদা ১.৮ হেনগৎতুনা ত্রিলিয়ন দোল্লর ১.৬৭ হেনখি। হেনগৎলিবা অপূনবা শেনফম অদুগী তংখায় অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগীনি হায়না ম্যুনিক সিক্যুরিটি কনফরেন্সতা রিলিজ তৌখিবা মিলিটরি বেলেন্স রিপোর্টতা পনখি।

চহীগী রিপোর্ট অদুনা হায়, কুমজা ২০১৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদগী মুনখিবা পেনিনসুলা ক্রিমিয়াদা মোস্কোনা এয়র বেজশিং অমসুং এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং অপগ্রেদ তৌখিবদা নোংচুপলোমগী পৱারশিংনা নুংনাংখি। লমদম অদুদা এস-৪০০ এয়র দিফেন্স সিষ্টেম অমা থমজিন্দুনা মোস্কোনা ব্লেক সীগী টার্গেটশিং য়ৌশিনবা ঙম্বগী চাং হেনগৎখি। হৌখিবা চহীদা ব্লেক সীদা য়ুক্রেনগী জহাজ অহুম রসিয়ানা ফাজিনখিবনি।

# রসিয়ন দবল এজেন্ট অমা হূ থাদুনা হাৎনবা হোৎনবদা চেন্নবা অমসু মশক খঙখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারি ১৫(এজেন্সি): হান্নগী রসিয়ন দবল এজেন্ট সর্গি স্ক্রিপালদা হূ থাখিবগী থৌদোক্তা বৃটিশ ইনভেষ্টিগেটরশিংনা রসিয়ন মিলিটরি ইন্টেলিজেন্স ওফিসর অমবু থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াবা অহুমশুব মীশক অমা ওইনা শকখঙলে হায়না য়ুরোপিয়ন সিক্যুরিটি ছোর্স অনীনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী মিলিটরি দিপ্লোমেটিক একাদেমিগী গ্রেজ্যুএট অমা ওইরিবা অৱাংবা রেঙ্ককী জি আর য়ু ওফিসর দেনিস সর্গীভ শগোলশেন নুমিত্তা সসপেক্টতুনি অইদেন্টিফাইদ তৌখিবা ইনভেষ্টিগেটিভ ৱেবসাইট বেলিংকেটকী রিপোর্ট অমা ছোর্সশিংদুনা কনফর্ম তৌখি। থবক তৌমিন্নবা স্পাই কয়ামরুমগী থাজবা মাঙহনখিবা রসিয়ন মিলিটরি ইন্টেলিজেন্সকী হান্নগী ওফিসর স্ক্রিপাল কুমজা ২০১৮ গী মার্চতা মচানুপীগা লোয়ননা সাউদর্ন সিটি সলিসবেরিদা বেঞ্চ অমদা ৱাখল তাদনা লৈরমখি। মখোয় মিলিটরি গ্রেদকী নোভিচ্যোক নর্ভ এজেন্ট থাবদগী ফিভম অদুদা লৈরম্বনি হায়বা খঙলকখি।




কন্না ত্রিটমেন্ট পীরবা তুংদা মখোয় ৱাখল তারকখি। হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা বৃটিশ প্রোসিক্যুটরশিংনা অলগেজেন্দর পেত্রোব অমসুং রুসলান বোশিরোভ হায়বা অশেংবদি নত্তবা মিংশিংনা খঙনখিবা রসিয়ন অনীবু মী হাৎনবা হোৎনখিবগী মরাল শীখি। প্রোসিক্যুটরশিংনা মরাল শীরিবদু মখোয় মশা য়াওদননি। অমরোমদা হু থারগা মী হাৎনবা হোৎনবগী থৌদোক্তুদা রসিয়নশিং চেন্নদে হায়না মোস্কোনা ফোঙখি।

বেলিংকেটনা হায়খি মদুদি ইন্টরনেসনল ওপরেসন পাঙথোকপা মতমদা সর্গীভনা সর্গি ফেদোতোভ হায়বা অরোনবা মিং অসি শীজিন্নখি। ৱেবসাইট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পেত্রোভ অমসুং বোশিরোভ য়াওনা অতৈ জি আর য়ু ওপরেটিভশিংগী শেমজিন শাজিনবা পার্সপোর্টশিং ইশ্যু তৌখিবা মোস্কোদা লৈবা এনিটতিদুমক্না ফেদোতোভকী মিংদা পাসপোর্ট অমা ইশ্যু তৌখি।

# রোহিঙ্গা কাঙলুপকী মায়োক্তা ওৎ-নৈবা, পাক্তক্লনা হাৎপা-তুপ্পা তৌখি হায়বা ৱাফম ম্যান্মারগী আর্মি চীফনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

টোকিল, ফেব্রুৱারী ১৫(এজেন্সি): রোহিঙ্গা মুস্লিম মাইনোরিটিগী মায়োক্তা পাক্তক্লনা হাৎপা তুপ্পগী কেম্পেন চথখিবগীদমক্তা ৱায়েল চথনবা মালেমগী লৈবাকশিংনা কন্না দিমান্দ তৌরিবা ম্যান্মারগী আর্মি চীফনা আর্মিগী মায়কৈদগী অদুগুম্বা মওংদা ওৎপা-নৈবা, হাৎপা অমদি তাথি-তাওইনা তৌখিবা লৈতে অমসুং অদুগুম্বা মরাল শিবা ৱাফমশিং অদু মহাক্কী লৈবাকপু ঈকায়বা পীবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা কুমজা ২০১৭ তা মাইনোরিটি কম্যুনিটি অদুগী মায়োক্তা ফাবা পুনবগী সিষ্টেমেটিক কেম্পেন অমা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবসিদা পাঙথোকপা মহাক্কী অহানবা অকুপ্পা ইন্টর্ভিয়ু অমদা সিনিয়র জেনরেল মিন ওং হলাইংনা বাংলাদেশতা রোহিঙ্গা ৭৩০,০০০ ম্যান্মারদগী চেনখি হায়বা য়ু এনগী এষ্টিমেট অমসুং মহাক্কী ফোর্সশিংনা ওৎ-নৈখি হায়বা মখোয়গী ৱাফমদা য়ানিংদবা উৎখি।

থোকখিবা অশেংবা থৌদোকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা করি হায়গদগে হায়বদু



রেফ্যুজিশিংদা খঙহনখ্রবনি। অকক্লবা গ্রুপ য়াওদনা ক্রিটিসাইজ তৌবা হায়বসিনা লৈবাক্কী ঈকায় খুম্নবদা শোকহল্লি হায়না লাইংনা জপানগী অসাহি শিমবুম দেলিগী ইন্টর্ভিয়ু অমদা হায়খি। ইন্টর্ভিয়ু অদু ইরাই নুমীৎতা জপানিজ পাউচে অদুদা ফোঙখিবনি।

বাংলাদেশ বোর্দরগা নক্লনা লৈবা সিক্যুরিটি পোষ্টশিংদা রোহিঙ্গা লালহৌবশিংনা পরিং নাইনা এটেক চথখিবগী পাউখুম ওইনা কুমজা ২০১৭ তা ম্যান্মারগী ফোর্সশিংনা রখাইন ষ্টেটতা মিলিটরি কেম্পেন হৌখি।

হৌখিবা চহীদা য়ু এনগী ফেক্ট-ফাইন্দিং মিসন অমনা ফোঙদোকখিবদা, পাক্তক্লনা হাৎপা অমসুং রেপ য়াওই হায়না রেফ্যুজিশিংনা পাউদমখিবা মিলিটরি কেম্পেন অদু কাঙলুপ অমবু তুম্না হাৎনবগী পান্দম অমদা পাঙথোকখিবনি। মিন ওং লাইং অমসুং অতৈ জেনরেল মঙা ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা খ্বাইদগী শাথিবা ক্রাইমশিং চথখিবগী মরাল শিনবা ফেক্ট-ফাইন্দিং মিসন অদুনা রিকমেন্দ তৌখি।

য়ু এনগী রাইটস ইনভেষ্টিগেটর অমনা হৌখিবা থাদা ফোঙদোকখিবদা, ম্যান্মারগী মাইনোরিটি কম্যুনিটি রোহিঙ্গাগী মায়োক্তা পাক্তক্লনা হাৎপা-তুপ্পা, ওৎপা-নৈবা চথখিবদুগী থৌদাং মিন ওং লাইং অমসুং অতৈদা পুহনগদবনি। রেফ্যুজিশিংনা লৈবাক অদুদা হল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মসি তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

আর্মি চীফ মিন ওং লাইংনা সিক্যুরিটিগী মীওই কয়া হাৎপা, তুপ্পা অমদি ওৎ-নৈবদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু ফোর্সশিংনা মী হাৎপা, রেপ তৌবা অমসুং অতৈ তমথীবা থৌওং কয়া চথখি হায়বা মরাল শিবা ৱাফমশিং ম্যান্মারনা তৎতনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারগী কেপিটেল নেপিতোদা শগোলশেন নুমীৎতা লৌখিবা ইন্টর্ভিয়ু অদুদা মিন ওং লাইংনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা মী মশিংদা নত্তনা মখোয়গী পান্দমশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া হৌদোকখি। মখোয়না বাংলাদেশতা চেল্লিবদু মফমদুদা মরী-মতাশিংগা লৈমিন্নিংবা ওইরম্বা য়াই নৎত্রগা অহুমশুবা লৈবাক অমদা চেনবা ওইরম্বসু য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংনা রোহিঙ্গাশিংবু সাউথ এসিয়াদগী লাকপা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মখোয়দা ম্যান্মারগী সিটিজন্সিপ পীদে হায়বা য়াই।

# য়ু কেনা রসিয়াদা নোংচুপলোমগা খুৎলায় লমজেল তান্নবা শীনগনুহায়খ্রে

ম্যুনিক, ফেব্রুৱারি ১৫(এজেন্সি): নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু পামদবা অনৌবা খুৎলায় লমজেল অমদা নমদুনা য়াওহন্নবা হোৎনরি হায়না বৃটেনগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ইরাই নুমিত্তা রসিয়াবু মরাল শীখ্রে অমসুং ৱারী শান্নদুদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা অনৌবা মরী শাগৎনবা আপিল তৌখ্রে।

চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ম্যুনিক সিক্যুরিটি কনফরেন্সতা অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা বৃটিশ দিফেন্স মিনিষ্টর গাভিন ৱিলিয়মসননা রসিয়াগী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ফিরেপকী মতাংদা অকনবা ৱাফম খরা থমখি।

ঙসিদি নাটো অসি য়াম্না মরু ওইরক্লে, মরমদি মমাঙঙৈদা য়ানখিদবা অমনা মমাঙঙৈগী থৌওংশিং অমুক হন্না চথরক্লে। মোস্কোনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু অনৌবা খুৎলায় লমজেল অমদা পুশিন্নবা হোৎনরি অমসুং মালেমবু খুদোংথিবা নঙগদবা মফম অমা ওইহন্নবা শীল্লি। নোংচুপলোমনা অসিগুম্বা খুৎলায় লমজেল পামদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা রসিয়ানা কুমজা ১৯৮৭ কী ইন্টরমিদিয়েট রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস (আই এন এফ) ত্রিতি খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং লেপ্তবা তারবদি য়ু এসনা থা তরুক্কী মনুংদা পেক্ট অসিদগী ৱিদ্রো তৌরগনি হায়না ৱাশিংটন্না লাওথোখিবা মতুংদা রসিয়ানা ত্রিতি অদু ঙাক্লরোই হায়না লাওথোকখিবনি।

ৱাশিংটনগী ৱাফম মোস্কোনা য়াদবগা লোয়ননা রুলশিং থুগায়রিবদি ৱাশিংটন্ননি হায়রি। অনৌবা মিসাইলশিং পুথোক্লবা ত্রিতি অদু থাদোক্লবা ৱাশিংটননা মরাল অমা হেক্তা শীরক্লিবনি হায়না মোস্কোনা ফোঙদোকখ্রে।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা বোর্দর ৱালগী মতাংদা ইমর্জেন্সি লাউথোক্লবা শেম শাখ্রে, গভর্ণমেন্ট সটদাউন লৈহন্দনবা বিলদসু সাইন তৌরগনি

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ১৫(এজেন্সি): কোংগ্রেসকী অয়াবা য়াওদনা য়ু এস-মেক্সিকো বোর্দরদা ৱাল চন্নবগী ফন্দিং য়াহন্নবগী পান্থৈ অমা ওইনা নেসনল ইমর্জেন্সি লাউথোক্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা শগোলশেন নুমীৎতা চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

খোঙথাং অদুনা মহাকপু কোংগ্রেসতা কনষ্টিট্যুসনল পৱারগী মতাংদা লান অমা শোক্নহল্লকপা য়াই হায়রি। ৱাল চন্নবগী শেনফম ওইনা মঙোন্দা দোল্লর বিলিয়ন ৫.৭ পীনবা কোংগ্রেসতা তকশিনখিবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা ত্রম্পনা বোর্দর ৱালগী শেনফমদি য়াওদবা গভর্ণমেন্ট-ফন্দিংগী বিল অমসু সাইন তৌবগী ৱাফম য়াখ্রে। অতোপ্পা গভর্ণমেন্ট সটদাউন অমা অমুক থোকহন্দনবগীদমক্তা মহাক্না পার্টি অনীমক্না য়ারবা বিল অদুদা সাইন তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

শগোলশেন নুমীৎতা য়ু এসকী সিনেট অমসুং হাউস ওফ রিপ্রজেনেটটিভস অনীমক্না থৱায় য়াওনা শৌগৎনদুনা ইরায় লায়না পাস তৌখিবা বিল অদুদা ফেন্সিং অমসুং



বোর্দর সিক্যুরিটিগী অতৈ মওং কয়াগী শেল য়াওই। তৌইগুম্বসুং মদুদা ত্রম্পনা ২০১৬ কী কেম্পেননদা মেক্সিকোনা শেল পুথোকহন্দুনা শাগনি হায়না অমেরিকানশিংদা ৱাশকখিবা বোর্দর ৱাল অদু শানবগী শেল পুথোকপগী ৱাফমদি য়াওখিদে।

ত্রম্পনা ৱাল অদু ইলিগেল ইম্মিগ্রেসন অমসুং দ্রগশিং লাকশিনবদা তঙাইফদে হায়রিবনি। বিল অদু প্রসিদেন্টগী সিগনেচর লৌনবগীদমক্তা ইরাই নুমীৎতা হ্বাইট হাউসতা পুগনি হায়না থাজনরি। মহকা বিল অদুদা সাইন তৌরম্লবা মতুংদা ফ্লোরিদাদা লৈবা মহাক্কী লন্নাই মার-এ-লাগো গোল্ফ ক্লবতা হোলিদে ব্রেক ওইনা পায়খিগদবনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা গভর্ণমেন্ট ফন্দিং বিল সাইন তৌগনি অমসুং মহাক্না হান্না হায়খিবগুম নেসনল ইমর্জেন্সি য়াওনা অতৈ এগজিক্যুটিভ থবক খরসু মহাক্না য়েংশিনগনি হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপার্সন সারাহ সেন্দর্সনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্টগী খোঙথাং অদুবু কোংগ্রেসতা লৈরিবা দেমোক্রটিক লিদরনা কন্দেম তৌখ্রে। ইমর্জেন্সি লাউথোরকপা মতমদা মহাক্না লিগেল চেলেঞ্জ অমা ফাইল তৌগদ্রা হায়না পাউমীশিংনা হংবদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা হায়খি, মহাক্না মদু তৌবা য়াই, মরমদি মদু ওপসন অমনি। সিনেটকী তোপ দেমোক্রেট চক সুমরনা ত্রম্পপু প্রসিদেন্সিগী পৱার ইফোং ফোংনা খোঙ্গাওনরে হায়না মরাল শিখ্রে।

রিপব্লিকান সিনেট মেজোরিটি লিদর মিটচ মেককোন্নেলনা ফোঙদোকখিবদা, ইমর্জেন্সিগী ৱাফমদা মহাক্না ত্রম্পপু শৌগৎকনি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা মেককোন্নেলনা ত্রম্পতা ইমর্জেন্সি লাওথোকপনা সিনেটকী রিপব্লিকানশিং খাইবুং খাইবুং তাহল্লকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা হায়খিবনি।

ইমর্জেন্সি লাওথোকপনা টেক্সপেয়রশিংগী ফন্দগী মতাংদা মরুওইবা ৱারেপশিং লৌবা ঙম্বগী কোংগ্রেসকী ওথোরিটিদা শোকহনগনি। পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মওংদা গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট খরা নুমীৎ ৩৫নি থবক তৌহনখিদ্রবা ফাওবা প্রসিদেন্টনা কোংগ্রেসতা ৱাল ফন্দিংগী দিমান্দ তৌবদা মায় পাকখিদবনি।

# মখা তানা লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী শানখিগনি : চাইনিজ প্রসিদেন্ট



বৈজিং, ফেব্রুৱারী ১৫(এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মথং চয়োলদা ৱাশিংতনদা মখা তানা লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী শানখিগনি অমসুং লাক্লিবা নিগোসিএসনশিংদা নাকল অনীনা অমগা অমগা কান্নমিন্নগদবা দিল অমা য়ানবা ঙন্নগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অসিদা য়ু এসকী ত্রেদ রিপ্রজেন্টেটিব রোবর্ট লাইটিজর অমসুং ত্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টেভেন মন্যুচিননগা উনখিবদা প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়, চাইনানা কোওপরেসন পীনবগী খুথাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনরিবা শেল-থুম অমসুং লল্লোন-ইতিক্কী য়েৎনরিবা ৱাফমশিং লৈখাই তানবা পাম্মী।

মীফম অদুদা লাইটিজর অমসুং মন্যুচিননা ফোঙদোকখিবদা, থবক কয়া পায়খৎখিগদবা লৈরবসু মখোয়না মখা তানা থাজবা থল্লি অমসুং মখোয়না লৈবাক অনীমক্কী অনীংবা অপাম্বশিংগা চান্নবা চাইনাগা হোৎনমিন্নদুনা দিল অমা পুরকপা পাম্মী।

# ফাখিবা কুইরবা জপানিজ অমা নোর্থ কোরিয়াদা হিংলম্লে

টোকিয়ো, ফেব্রুৱারি ১৫(এজেন্সি): নোর্থ কোরিয়াগী এজেন্টশিংনা চহী ৪০ হেনবগী মমাঙদা ফাখিবা, তৌইগুম্বসুং মহাক লৈরি নৎত্রগা লৈত্রে হায়বগী মতাংদা অমুক্তা কনফার্ম তৌখিদবা জপানিজ নুপা অমা হৌজিকসু হিংলি হায়না ক্যোদা ন্যুজ এজেন্সীনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যুজ এজেন্সী অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জপানিজ নুপা অদু হৌজিক নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেলদা মহাক্কী ইমুংগা লোয়ননা লৈমিন্নরি। মিনোরু তানাকু কৌবা রেষ্টোরেন্ট ৱার্কর অদু কুমজা ১৯৭৮ গী মনুং নৎত্রগা মতম অদুৱাইদা কিদনেপ তৌখিবনি হায়না জপাননা থাজরবসু নোর্থ কোরিয়ানদি জপানগী ক্লেম অসি য়ানিংদ্রি। তোকিয়োনা হায়রি মদুদি, রেষ্টোরেন্ট ৱার্কর অদু য়ুরোপকীদমক খোঙশানখিবদগী জপানদা অমুক হন্না হল্লকখিদ্রে। মাঙখিবা মতমদা মশাগী চহী ২৮ শুখিবা হান্নগী নুদলস সোপ ৱার্কর অদু লুহোংলে অমসুং প্যোংয়াংদা মহাক্কী নুপী অমসুং মচাশিংগা লোয়ননা লৈরি হায়রি।

# ক্রুপ লৌথোকখ্রবা তুংদা টর্কিশ ফোর্সতমক সেফ জোনদা লৈগদবনি : টর্কি

অনকারা, ফেব্রুৱারি ১৫(এজেন্সি): অৱাং নোংপোক সিরিয়াদা থৌরাং তৌরিবা সেফ জোনদা টর্কিশ ফোর্সশিংদমক দিপ্লোই তৌগদবনি হায়না টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি অকরনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী ক্রুপশিং সিরিয়াদগী লৌথোকখ্রবা মতুংদা টর্কিনা মীচঙশিংগী লোজিষ্টিক্স সপোর্টকা লোয়ননা সেফ জোন অমা লিংবা পাম্মী। সেফ জোন অদুদা অনকারানা টেররিষ্ট গ্রুপনি হায়না খন্নবা য়ু এসনা শৌগৎপা সিরিয়াগী কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিস্যা লৈহল্লোইদবনি হায়না অকরনা ফোঙদোকখি।



টর্কিগী থৌরাংশিং অদুনা মোস্কোগা মুক্রবগী ফীভম অমা লাকহনখি। সিরিয়া মনুংদা সেফ জোন অমা শেম্বা হায়বসি সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল অশাদকী অয়াবা চঙগনি হায়না মোস্কোনা চয়োল অসিগী অঙনবদা ফোঙদোকখিবনি। মদু সিরিয়াদা চহী কয়ামুক সিভিল ৱার থোক্তুনা পাক শান্না অমাঙ-অতা থোকখ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট অশাদপু মফম থাদোক্লবা তকশিনখিবা টর্কিগী প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগননা পামদবা ফীভম অমনি।

ষ্টেটকী অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সীনা ইরাই নুমীৎতা ম্যুনিক দিফেন্স সম্মিটগীদমক্তা জর্মনিদা লৈরিবা অকরগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা লান শোক্নখিবা ইন্টরনেসনল কোলিসন্দা য়াওবা লৈবাকশিংনা য়ুফেতিস তুরেলগী নোংপোকলোম থংবা কিলোমিটর ৪৪০ শাংবা বোর্দর টেরিটরি পরিংদা সেফ জোন অমা শেম্নবা হোৎনবা হায়বসি চানবা থৌওং ওইদে নৎত্রগা মতিক চাবা ৱাৎকনি।

সেফ জোন অদু টর্কিখক্তগী নত্তে, তৌইগুম্বসুং ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবা সিরিয়াগী রেফ্যুজিশিংবু অমুক তেক্ত-কায়দনা হল্লকপা য়ানবগীদমক্তনি। টর্কিদমক সেফ জোনদা লৈবা য়াহনগদবনি হায়না অকরনা মখা তাখি। ক্রুপ হন্দোকপগী ৱাফম অসিদা লৈখায় তাদবা অমা লৈরি হায়না ইর্দোগননা শগোলশেন নুমীৎতা ফোঙদোকখি। সেফ জোন শেম্বগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগী চৎনবা য়াবা প্লান অমা মহাক্না উবা ফংদ্রি হায়না ইর্দোগননা থা অসিগী অঙনবদা হায়খিবনি।